# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-08-2025)**

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৫ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পুলিসঃ** সেকুøরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

ঙরাং সেকুøরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ঙাইরাংবম অমসুং লোংগা কোইরেঙ্গৈ ভিলেজতকী মরক্তা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-সভনে পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর অমা, ইনসার্চ রাইফল অমা, শেমদোক্লবা মরু য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মরি, এল.এম.জি. ইনসার্চ অহুমনচিংবা য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোংবা মরুদগী চিংশাং পরেংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদসু য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-দবল বেরেল নোংমৈ অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, কন্ত্রিমেট পিষ্টোল অমা, পোম্পী অনি,

গ্রেনেদ অনি, নোংমৈনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা লালহৌবা অহুম ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সঙাইপ্রৌ এফ.সি.আই. ক্রোসিংদগী সোরেপাগী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফাখি। মহাক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নমদুনা শেল খায়দবা চেন্নবা মীশকনি। মীওই অসিদগী লালহৌলুপ অসিগী দিমান্দ লেট্টর মরি, অধার কার্ডনচিংবা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়ুমাম পাৎলৌ চিংজিলদগী আর.পি.এফ.-পি.এল.এগী কাডর অমা ফাখি অদুগা প্রিপাক (প্রো) গী কাডরনি হায়বা মীওই অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরা উরক চেক পোইন্ট হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফাগৎখি।

**পিএমঃ** সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ২৫ শুবা মীফম ঙসিদগী চাইনাগী তায়াংজিংদা হৌরগনি। মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি।

মীফম অসি য়াওনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙরাং তায়াংজিংদা থুংখিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিং-রিজনেল সেক্যুরিতি, কন্নেক্তিভিতি, সসটেনেবল দিবলপমেন্ট অমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্কনি। মীফম অসিদা ওর্গনাইজেসননা চহি ২৫ দা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং অমসুং লাক্কদৌরিবা চহি তরাদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু নীংথিনা খন্নগনি।

সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম অসি চাইনাগী রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংগা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিগা থারগা মঙারকশুবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা য়ুক্রেনগী রাস্ত্রপতি-ভোলোদিয়র জেলেন্সিগা ঙরাং টেলিফোনদা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা জেলেন্সিনা য়ুক্রেনগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ফোংদোরকখি। য়ুক্রেনদা শান্তি হনজিলহন্নবা ভারতকী ফিরেপ লেংদনা লৈরি হায়না শ্রী মোদিনা অমুক হন্না জেলেন্সিদা থাজবা ফোংদোকখি। ভারতনা য়ুক্রেনদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি।

**অদি ভানিঃ** লৈবাক অসিগী ট্রাইবেলগী লোলশিং হন্দোকনবা ভারতক অহানবা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) শিজিন্নরগা শেম্বা অদি ভানিগী বেটা ভরসন সরকারনা হৌদোল্লগনি।

ট্রাইবেল এফিয়ার্সকী মন্ত্রালয়না হায়-মসিনা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা লোলগী পুকৈশিংদা ঙাক শেন্দুনা থম্বা অমদি ট্রাইবেল মীয়ামবু হেন্না শক্তি পীবা ঙম্লগনি। অদি ভানি অসি জন জাতিয়া গৌরফ ভরসকী মখাদা ট্রাইবেল অমদি ট্রাইবেল নত্তবা মীয়ামশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থমনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা নোংচ্প বঙ্গলাগী বিধান সভা কেন্দ্র ১০০ দা শাশিন্নবা অমদি আইননা য়াদবা ভোটরগী মশিং হেনগৎলম্বা থেংনরে।

ইলেক্সন কম্মিসননা হায়-রাজ্য অসিগী অপুনবা বিধান সভা কেন্দ্র ২৯৪ দা ভোটরশিং মশক খঙদোকপগী থবক চথখি। খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না আইননা য়াদবা অমসুং শাজিন্নবা ভোটরশিং মশক খঙদোকপা ঙমখিবনি। কুজবিহার, জলপায়গুরি, মালদা, উত্তর দিনসপুর, মুরসিদবাদ, নোর্থ টোইন্তিফোর প্রগনাজ, সাউথ টোইন্তি ফোর প্রগনাজনচিংবা মফমশিংদা শাজিন্নবা ভোটশিংগী মশিং হেনগৎলম্বা থেংনখি।

**ড্রোনঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা নোইদা ঙরাং ড্রোন শাবা কম্পানি অমা অমসুং ইঞ্জিন টেষ্ট তৌনবা সেন্টর অমা নোইদা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-ড্রোন হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা লানগী থবক থৌরমদা তঙাইফদনা চংবা মচাক অমা ওইরে। মসিনা লমদম অসিগী নহা লিশিং মঙাদা থবক পীবা ঙম্লগনি। কেন্দ্রগী থৌরাং অত্মা নিভর ভারতকী মখাদা ঙাকশেলগী সেক্তর অসি মপাঙ্গল কনখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**কিরেনঃ** পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-সংসদতা চরাংনবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবনা সভাগী ফজবা শক্তমদা অকায়বা থোকহল্লি।

বেঙ্গলুরুদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রিজিজ্না হায়-তোঙান তোঙানবা কন্সটিটু্যসনশিংগী এম.পিশিংনা করিগুম্বা হীরম অমদা চরাংনবা থোকহনবগী মহুৎতা নীংথিনা খন্নগদবনি। মহাকা হায়-নহা ওইরিবা সদস্যশিংনা সভাগী চরাংনবা থোরকপা মতমদা মদু নেমথননবা হোৎনগদবনি।

**পিয়ুসঃ** কেন্দ্রগী কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়রি-ভারত অমসুং য়ু.এ.ইগী মরক্তা লল্লোন ইতিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরি।

য়ু.এ.ইগী ফোরেন ত্রেদ মন্ত্রি-ডা: থানিবিন অহমদ অল জিওদি য়াওনা উদ্যোগকী লুচিংবশিংগা মীফম অমা ঙরাং মুম্বাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী পিয়ুস গোয়লনা হায়-ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা লম কয়াদা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-লৈবাক অনিগী

মরক্তা গ্রীন ইনর্জি, এ.আই, ফিনটেক, ফুদ সেক্যুরিতি অমসুং অনা লায়েংগী লমদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফাগৎনহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি- অখন্নবা কমিতি শেমদুনা পি.য়ু.সি.এল. থেংননবা কোকোমিগী পাব্লিক রিভিয়ু মীতিংনা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ, নোটিফিকেসন থোক্কুনা অথুবা মতমদা পঞ্চায়ট অমদি অবার্ন লোকেল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোকবা কংগ্রেসনা দাবী তৌখিবগী পাউশিং অসিনা ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-অখন্নবা কমিতি শেমদুনা পি.য়ু.সি.এল. থেংননবা কোকোমিগী পব্লিক রিভু মিতিংনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা পি.য়ু.সি.এলগা রিপোর্টকী মতাংদা রিভিয়ু মীতিং পাঙথোকখ্রে, এফ.আই.আর লৌখৎতুনা চেন্নবা খুদিংমক ফাগৎকদবনি-কোকোমি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসননা মীখল পাঙথোকবা নোটিফিকেসন অথুবদা থোকপীয়ু হায়না এম.পি.সি.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। জেলিয়াংরোং পোলিটিকেল ইশু হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা এম.ঐচ.এগা তরেৎশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-প্রাইম মিনিস্তর লাক্কনি হায়না কন্না শেম শারি হায়বা পাউ অমা পাউ চে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। রিমসতা ফোরেন্সিং সাইন্স লেব হাংদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নৌনা দেঙ্গিগী কেস ২২ থেংনরে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস

এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। বিল্ডিং শাবদা সেফতি কোডশিং ঙাকা চৎনবা চীফ টাউন্দ প্লান্নরনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-গভনরনা থাউ অমসুং এল.পি.জিগী স্তোক পোজিসন য়েংশিনখ্রে। জিরিবামদগী ওইল টেঙ্কর ১৬৩ অমসুং গ্যাস বুল্লেট ২৯ লাকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-করবি অংলোংদা থাদৌগী লুচিংবা হাৎখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টতা রেপ ভিক্তিমশিংগী খোল্লাউ য়াওদে হায়না এক্তিভিষ্টশিংনা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।